# HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চায়ি (পি এম কে এস ৱাই) গী মখাদা স্প্রিঙ্কলর অমদি পম্প সেটশিং লৌমীশিংদা য়েন্থোকখিবা

লামায় ৫

ক্রোর ১৪৪০ চঙনা পায়খৎকদবা সিৱরেজ প্রোজেক্ট সেন্টরনা অয়াবা পীরক্লে

☛ লামায় ৩

শজি অশেঙ্বা য়োল্লম্বী নুপী অমা ফাগৎখ্রে

☛ লামায় ৫

নোংমাইজিং চীংদা পোপি থাদনবা ৱারেপ্নরে

☛ লামায় ৫

ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টতা সর্ভিস রুলশিং থুগাইরব্রা

☛ লামায় ৩




হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা চহী মরি মপূং ফারকপগা মরী লৈননা লমলোং থোংখোংদগী ৱার ওন ড্রগসকী রেল্লি অমা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি যোগেসচন্দ্র হাওবিজম্না লমথাদুনা চংখিবা

Vol. 44, Issue No. 333 | ইরাই, ফাইরেনগী থাশু | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, March 13, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরম্বা এম এল এ ১২ দিসক্বালিফাই তৌনবা কোংগ্রেসনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎনবা শেম শাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরম্বা এম এল এ ১২ দিসক্বালিফাই তৌনবা কোংগ্রেসনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎননবা শেম শাখ্রে।

এম এল এ ১২ দিসক্বালিফাই তৌননবা ৱাফমগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী মণিপুর ইন-চার্জসু ওইরিবা ভক্তচরনদাস, রাজ্য সভা অমদি লোক সভাগী এম পি ১০ হেনবনা খূৎয়েক পীদুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দ উননবা এপোইন্টমেন্ট পীবিয়ু হায়দুনা অইবা চেরোল হৌখিবা মার্চ ১০দা রাষ্ট্রপতি ভবন্দা পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুমকপু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি প্রসিদেন্টগী মায়কৈদগী কোংগ্রেস পার্টিগী মীহুৎশিংগা উননবা এপোইন্টমেন্ট পীরকপা লৈত্রি। প্রসিদেন্টকা উনবা অসিদা শরুক য়াননবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজম, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম য়াওনা কোংগ্রেসকী এম এল এ কয়া হৌজিক হৌজিক দেল্লিদা লৈরিবনি।

পাউচে অসিগা ৱারী শানবা অমদা কোংগ্রেস এম এল এ অমনা হায়খি, মণিপুরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা এম এল এ ১২বু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপখিবা অদু ওফিস ওফ প্রোফিটকা মরী লৈনবনা এম এল এশিং অসি দিসক্বালিফাই তৌনবা কোংগ্রেস পার্টিনা ঙসি ফাওবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। মণিপুর হায় কোর্টনসু এম এল এ ১২ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপখিবা এক্ট অমদি এমেন্দমেন্ট এক্ট অনীমক ইলিগেল অমসুং অন কন্সটিট্যুসনেল ওই, চৎনবা য়ারোই হায়বগী ৱায়েল পীখিবা লৈখ্রে। আর্টিকল ১৯০, ১৯১ অমসুং ১৯২গী মতুংইন্না এম এল এ ১২ অসি পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইদুনা ওফিস ওফ প্রোফিট পায়রুবনা দিসক্বালিফাই তৌফম থোকই। মসিগীদমক মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী মণিপুরগী গভর্ণরদসু এম এল এ ১২ অসি দিসক্বালিফাই তৌবীনবা অইবা চেরোল পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু গভর্ণরনা ঈ সী আইগী কম্মেন্ট লৌনবগীদমক থা ৫ রোম দিলে তৌদুনা লৈরকখিবনি। ঈ সী আইনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা গভর্ণরদা মখোয়গী ৱারোল পীখ্রে হায়বা তারে। অদুমকপু হৌজিক ফাওবা ঈ সী আইনা করি ৱাফম থল্লকখিবনো হায়বদু গভর্ণরনা খঙহল্লকপা লৈত্রি। মতৌ অসিমক দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌদবা ঙমদে। এম এল এ ১২বু দিসক্বালিফাই তৌবগী মতাংদা মতম থেংথহনবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দ উনদুনা ৱাকৎননবগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীবিনবা কোংগ্রেস পার্টিনা হায়জখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি প্রসিদেন্ট উনবগী অয়াবা পীরকপা লৈত্রি। লাক্লিবা মার্চ ১৫গী মতুংদা এপোইন্টমেন্ট পীরক্কদ্রা হায়বগী থাজবদি লৈ।

বি জে পি লৈঙাক্লা লোনা য়াদবা মওংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইহনখিবা এম এল এ ১২বু দিসক্বালিফাই তৌননবগীদমক কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী লোগী মতেং লৌদুনা পাঙথোকপা য়াবা থবকশিং পাঙথোক্কনি। মরম অসিনা হীরমসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎননবসু কোংগ্রেস পার্টিনা শেম শারে হায়না এম এল এ অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- থাবল চোংবা থিংখ্রে, থাবলগী শেল খায়বা লাক্লরোই।




- য়াইফরে, য়াইফরে।

# ইরুংবম দেবেনদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস): 'মালংবনা করি হায়' কৌবা শৈরেং লাইরিক্কী অইবা ইরুংবম দেবেনদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ-২০২০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লোন ২০দা ইবা লাইরিকশিং খনগৎপদা মণিপুরদগী ইরুংবম দেবেনগী শৈরেংগী লাইরিক অসি য়াওরকপনি। সাহিত্য একাদেমিনা পীগদবা বাল সাহিত্য পুরস্কার ২০২০ পীনবগীদমক অইবা ২১ খনগৎপদা মণিপুরগী ওইনা নাওরেম বিদ্যাসাগর য়াওরে। মহাক্না ইবা 'উচান মৈরা' শৈরেং লাইরিক্তা এৱার্দ অসি পীরকপনি। সাহিত্য একাদেমি য়ুব পুরস্কার ২০২০ পীনবগীদমক অইবা ১৮ খনগৎপদা মণিপুরগী ওইনা রামেশ্বর সারোংবম য়াওরে। মহাক্না ইবা 'কায়রবা চফু মচেৎ' হায়বা শৈরেংগী লাইরিক্তা এৱার্দ পীনবগীদমক খল্লকপনি হায়রি।

ডা. রাজোবু কন্ত্রেক্ট বেসিসতা দিরেক্টর ওইহনবগী ৱাথোক

# লৈঙাক্না ফাইল তৌরকপা রিভিয়ু পিটিসন দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস): জন্যুৱারী ২২, ২০২১দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদগী ডা. কাঙুজম রাজো (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে পুকচাওবীবু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সুপর এন্যুএসন দা থবক্তগী পোখারবা মতুংদা কন্ত্রেক্ট বেসিসতা হেল্থ সর্ভিসেস, মণিপুরগী দিরেক্টরগী ফম অতোপ্পা থা ৬ অমগা পুহন্নবগীদমক থোকখিবা ওর্দর চৎনহনখিদবা ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোর্ট অসিমক্তদা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন অমা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা দিসমিস তৌখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-B/6779/10-13/3

## মরোল থোকপা লাই





## ড্রাইভর পামজে

গাড়ী থৌবা হৈবা মশাগী চহী ২৫ দগী তাদবা চহী ৩ এক্সপরিয়েন্স লৈবা অমদি মশাগী ভেলিদ ড্রাইভিং লাইসেন্স পায়বা মীওই ১০ অথুবগী লৌনবা ফোর্ম থাজরি। থাগী তলব ওইনা Rs. 9000 মহৈগী থাক Class -VIII Pass নি লোয়ননা Hindi, English ঙাংবা হৈবা মীওইনা হেন্না পামজে। Last date Form Submission 13-3-2021

Please Contact :
Manipur Cab Service
M.G. Avenue, 2nd Floor MDU Building
Next to O.K. Hotel

MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Powered by IMPHAL FINANCE

सत्यमेव जयते

4 years of citizen centric governance

Rozgar Diwas/Skilling & Employment Workshops

Emerging MANIPUR
MARCH | 13 | 2021











ACHIEVEMENTS SO FAR

• RURAL EMPLOYMENT UNDER MGNREGS

Average No. of days provided employment increased from 12 mandays during 2017-18 to 56.21 mandays during 2020-21.

5.27 lakh households on an average have been provided employment over the last 4 year period since 2017.

Around 7.14 lakh workers have been given employment on an average per year.

• SKILL TRAINING PROGRAMS


Deen Dayal Upadhayay Grameen Kaushalya Yojana (DDU-GKY): Out of 2364 trainees, 1679 have been provided jobs in different companies both within and outside Manipur.

MOU signed with 11 Project Implementing Agencies (PIAs) on 17th December, 2018 in the presence of Hon'ble Chief Minister, Manipur and Hon'ble Minister (RD & PR), Manipur for imparting skill training and placement.

Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana 2.0 (PMKVY 2.0): 20048 youths trained out of total target of 22763.

Chief Ministergi Shotharabasingi Tengbang (CMST): 498 persons with disability (PWD) have been trained under state sponsored scheme.

UNDER MGNGRES






ACTION PLAN AHEAD

• Lemon grass plantation taken up to rehabilitate poppy planters, in collaboration with Commerce & Industries Department for forward market linkage.
• Targeted to ensure generation of 280 persondays (50 mandays on average) of employment during FY 2021-22.
• Project Implementing Agencies to train 7215 candidates in coming years and ensure their placement in Industry.
• Target is to train 687 youths under short term training under PMKVY 3.0
• 3200 are targeted to provide long term skill training under PMKVY 3.0

HL-B/6844/13